# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, জুন ২৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৮৯শুবা মশীং


## ক্বাকৈথেল ত্রাফিক ক্রোসিং
### মখা তানা বৈতরনি তুরেল ওইহনগনু

হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা মণিপুর পুলিস ওর্গনাইজেসনগী তোঙান-তোঙানবা য়ুনিটশিংসিবু মখোয়গী থৌদাং য়ুনিট অমনা অমদগী হেল্লি হায়রুবা য়াগদ্রা? হৌদোরকপদা মণিপুর পুলিস রেদিও (এম পি আর) হায়দুনা খঙনরম্বদগী হৌজিক্লা মণিপুর পুলিস টেলিকোম হায়রক্লবা য়ুনিটসি য়াওনা য়ুনিট খুদিংমক মরু ওইবা ঙাক্তনি। ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সী আই দি) দা হায়রবসু য়ুনিটসিগী মরু ওইবা অমসুং মথৌ তাবা নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্তুনা সী আই দি স্পেসল ব্রাঞ্চ অমদি ক্রাইম ব্রাঞ্চ হায়বখক লৈরম্বদগী হৌজিক্তি টেক্নিকেল অমসুং ভি আই পি হায়বনচিংবা অনী অমসু হেঙ্গৎহন্দুনা এস পি অমমমগী মখাদা ফঙ্কসন তৌহল্লক্লি। মসিগী মথক্তা মণিপুর পুলিস টেলিকোমগীসু দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল (দি আই জি) অমগী মখাদা চলাইরি। সী আই দিগীসু ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) অমনা ফাউবা লুচিংহল্লি। পাঙ্গেদা লৈরিবা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজ (এম পি টি সী) ফাওবা হান্না স্কুল ওইরম্বদগী কোলেজদা অপগ্রেদ তৌরকখ্রিবনি। আই জি পি ফাওবা পোষ্টিং পীরিবনি। জেল (প্রিজন্স) গীসু অদুমঙাই এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি জি পি) ফাওবগী রেঙ্কতা লৈবা পুলিস ওফিসর অমগী কম্মান্দ এন্দ কন্ত্রোলগী মখাদা ফঙ্কসন তৌরিবনি। থৌরাংশিংসি পুলিসকী য়ুনিটশিং অসিনা লৌবা থৌদাং নোংম-নোংমগী চাওখৎলকপা অমসুং মথৌ তাবা হেঙ্গৎলকপদগী পাকথোক-চাওথোকহল্লক্লিবনি। ওর্গনাইজেসন অসিনা শীজিন্নরিবা মখল কয়াগী গাড়ীশিং শেমদোক-শেমজিনগী থৌদাং লৌরিবা 'সেন্ত্রেল মোটোর ট্রান্সপোর্ট ৱার্কশোপ' ফাওবদা এস পি অমনা লুচিংহল্লিবনি। অদুবু হৌজিক্কী মতমসিগী য়ামখৎলক্লিবা মীশিং, হেঙ্গৎলক্লিবা গাড়ী মশীং, থোরক্লিবা ত্রাফিক কঞ্জেসন, রোদ ত্রাফিক এক্সিদেন্টগী অকিবা ফংলবা মশীং অসিদা ওর্গনাইজেসন অসিগী ত্রাফিক কন্ত্রোলগী থবক থৌরমশিং অসিবু এদিসনেল এস পি/এস পি অমখক্কী কোকথক্তা থোনগৎপদা মরম চারিব্রা? মণিপুরগী লৈরিবা লম্বীগী ফীভমশিং, মীশিংগী চাং, গাড়ী অচৌবা অমসুং মচাশিংগী মশীং লোয়না খঙলিবা নৎত্রা? মসিগীসু মথক্তা লমদমসিগী খোঙনা চৎলিবশিংদগী হৌরগা ঈঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং শীজিন্নরিবা মীয়াম্না কদাই ফাওবা ত্রাফিক রুলস/রেগ্যুলেসনশিং খঙনা নৎত্রগা খঙদনা চৎথোক চৎশিন তৌনরিবগে হায়বসিসু খঙবা নৎত্রা? অদু ওইরগদি ত্রাফিক কন্ত্রোলগী থবকসিসু এ দি জি পি অমনা ফাওবা লুচিংহন্দ্রবসু আই জি পি নৎত্রগা দি আই জি অমনা ফাওবদি লুচিংহনবা য়াদ্রিবরা? অতৈ য়ুনিটশিংনা লৌনরিবা থৌদাংশিং অদুদগী ত্রাফিক পুলিস পর্সনেলশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংনা তাবা নত্তে। অহোয়নদুম মসিগী দ্যুটিনা হেন্না মরু ওইরিবনি। মরমদি ত্রাফিক কন্ত্রোলগী থবকশিং অসিদি মীয়ামগী মমল য়াল্লবা পুন্সিশিংগা হকথেংননা মরী লৈনরিবনি। হেন্না পূক্নিং চঙশিনফম থোকই।

অদুবু হৌজিক ফাওবদা ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিসকী য়ুনিট অসিবু মমিংতগী ওইনা থম্বা, ভি ভি আই পি অমসুং ভি আই পিশিংগী মুভমেন্ট খক্তদা দিপ্লোই তৌবগী ফীভমদা থল্লিবা করিগীনো? থৌশিলসিবু অচুম্বা, অশেংবা অমসুং মতমসিগা চুনরবা থৌরাংনি হায়দুনা লৌগদৌরিব্রা? অফবা থৌরাং, অশেংবা থৌশিল ওইরগনা ঙৈহাক লৈতনা মীশি-মীনা থোরকহল্লিবা অসিনা করিগীনো? এয়রপোর্ট লম্বী অমা ওইবগী মথক্তা নেসনল হায়ৱে অমা ফাওবা ওইরক্লবা টিদ্দিম লম্বীগী ক্বাকৈথেল ক্রোশিংগী ত্রাফিক আইলেন্দ মনাকসিবু মীচম মীয়ামগী থৱায় মাঙফম, বৈতরনি তুরেল ওইরক্লিবসিনা করিগীনো? করি অহোবা, অশোয়বা লৈবদগীনো? জুন ২২, ২০২১গী নুংথিলদা বিষ্ণুপুররোমদগী কোভিদ পোজিটিভ পেসেন্ট পুদুনা লাকখিবা এম্ব্যুলেন্স অমনা হিরো হোন্দা থৌরকপা মীওই অমা থোম্বদগী লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা শিখিবগী থৌদোকসি খক্তগী ৱাফম নত্তে। মতম খরগী মমাঙদসু গাড়ী মচা তোংলগা লাকখিবী লৈশাবী ২ ৱাটর টেঙ্কর ত্রক অমনা পুল্লপ থোল্লগা চেনবগী থৌদোক্তা পূন্না শিখিবগী থৌদোকসু থোকখ্রবনি। থৌদোক্তু থোকখিবা ফোং-ফোং শারিঙৈদদি য়াম্না চেকশিনখি। মতুংদা মীশি-মীনা অমুক হন্না থোরকপা ঙল্লরোই হায়না ফাউবা মীয়াম্না খন্নখি। অদুবু খরা কুইশিল্লক্লগা হান্নগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিল্লকই। মসিবু থোকহনফম থোকপা থৌদোক্লা? লম্বী সরক, ত্রাফিক ক্রোশিংনচিংবশিং অসিবু চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীয়ামগী থৱায় মাঙফমলা? মসি চুমদে, শিখ্রবা মীওইশিংদু অমুক হল্লকখো হায়রুবা য়াবা নত্তে। মণিপুর পুলিসকী ত্রাফিক কন্ত্রোল য়ুনিট অসিদা দিপ্লোই তৌরিবা রেঙ্ক এন্দ ফাইলগী পর্সনেল পূম্নমক পনিসমেন্ট পোষ্টিংগী মওংদা দিপ্লোই তৌগনু। চহী শাংনা সর্ভিস তৌরক্লে হায়দুনা পেন্সন ফংলমদাইনিনা ত্রাফিকতা মতম খরা পোত্থারো হায়বনচিংবগী থৌওং তোকউ। পাঙ্গেদা অমসুং পুলিস ষ্টেসন খরদা লমজেলদমক চেলহল্লকপা হোম গার্দ অমসুং ভি দি এফ পর্সনেলশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নগনু। মায়কৈ অহুম নৎত্রগা মরিদগী থৌজিন্নরকপা গাড়ীশিং খামহনবা, চৎহন্নবগী খূৎ হাইবা ঙম্বা খক্তংনা পুন্সিগা মরী লৈনরিবা ত্রাফিক রেগ্যুলেট তৌহনবা য়ারোই। মোদর্ন ত্রাফিক পুলিসমেনশিং ওইহন্নবা মথৌ তাবা ত্রেনিংশিং পীয়ু। ত্রাফিক রুলস ভাইওলেটরশিংদগী ফাইন লৌবগী টি আর-৫গী রিসিভ ককপগী ৱাহৈ ২/৩ খক ইংলিসতা ইবদা বনান লানবা পর্সনেলশিংদা লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌরিবা য়ামখ্রবা মীয়ামগী পুন্সি শিন্নবা চুমলোই। মণিপুর পুলিস মোদর্নাইজেসনগী থবক্তা ত্রাফিক কন্ত্রোলদা এনগেজ তৌরিবা পর্সনেলশিংসু য়াওগদবনি। মতুংদা অমুক হন্না ক্বাকৈথেল ত্রাফিক ক্রোসিংনা বৈতরনি তুরেল ওইহন্দনবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০

১) মণিপুরগী শক্লাইরবা স্কোলর অমসুং কবি অমগী শৈরেং মতেকনি - "ওইরকই থৱায় পান্দবগী জগৎ প্রকৃতিগী/চঙলকই পুন্সি জগৎতা প্রাণময়গী লমদমদগী/ওইরকই পূক্নিং মনোময় জগৎকী নুংশা শ্বরনা/হৌজিক্তি য়াতারি চরাঙননা মীওইবগী পুন্সিনা/খনজৈ মীওইবনা পন্থুংফম য়ৌরেদনা/লোইরেদনা তীর্থ যাত্রাগী খোঙচৎসে।" কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী "উমরাও জান অদা" হায়বসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) "খোইয়ম ব্রহ্মা অচিবা নঙগী সনা তুখোং খুদিংদা তলা উমিৎলোইনা মহৈ চুন্না য়ানবগুম থবী শেনগোইরেন অপানবনা মঙাল য়ুমদা চংলবনিনা ফকলাং লোঞ্জা মিফাৎলমদা উফুন সনা হায়ৈ কুপকুম হন্দোক হঞ্জিন্ননা ফমফল্লিবী মায়া শক্তি লাইরৈমা নঙোন্দগী শিব মহাদেব চোংথোক্লকএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

৪) মহারাজ কুমারি বিনোদিনী দেবীগী "যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল' ফংখিবা লাইরিক্তু করি লাইরিক্লো?

৫) মণিপুরী সাহিত্যগী (মণিপুরদা ফোঙবা) অহানবা চেফোঙ অদু করিনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল *hueiyenliteraryquiz@gmail.com* সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৩৪
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙদসু ঐনা ইবদা পঞ্জখ্রে, শুমাং লীলা হায়বসিনা শুমাংদা শান্নরম্বদগী লম্পাক্তা থোরক্লগা ষ্টেজ শারকপগী ৱাসি। শুমাং লীলাদি শুমাংদা শান্নরগা মতিক মগুণ লৈবসি হেনব্রা খল্লি। অদুবু মতমনা পুরকপা অহোংবনিনা ঐখোয়না মসি থিংবা ঙম্লুবদি নৎত্রে। লীলা কৌরম্মী, শান্নবা চৎলে, শান্নফম শেল্লম্মে, শেল্লম্মিবা মফমদু শুমাং ওইরমদে, শান্নরোই হায়বা য়াবা নত্তবনিনা অদুম য়ান-য়ানবা শান্নখিবদুনা হৌজিক্তি শুমাং লীলাগী মশক ওল্লকপদা ময়ামসু অদুম য়াওবিরম্মী হায়বসিমা থমজনীংদুনা তৌবনি। মতমদুদা লম্পাক্তগা পুথোক্লগা ষ্টেজগা শারগা লীলা শান্নরিবসি কমদৌনা, কমাইনা হৌরকখিবনো হায়বসি ঐগী ইজখিবা আর্টিকলশিংদা খজিক্তি পনখ্রে। তশেংনদি মসি মী মীগী ৱাখলসিদা করিনো হায়নদি হায়ফম খঙদবা অচাওরম হায়গদ্রা, নাপল হায়গদ্রা নৎত্রগনা চাওখৎলিনি হায়না খল্লিরা করিনোমা তৌই। শুমাং লৈরক্তবগী নৎত্রগা শুমাংদা লীলা শান্ননীংবগী ৱা ঙাক নত্তবদা করিনো খরদি মসিগী মরুমদা ৱা ঙাওথোক্লদনা লৈবসি ঐখোয় উবা ফংই। মরমশিংদু খজিক্তং থমজগে, লানবসু য়াই, অদুবু মসিদি ঐ ইশানা থেংনজরকপা অদুনি হায়না লৌবীয়ু।

১) য়ূম-য়ূমদা মচা-মশু লাইরিক-লাইশু তম্বগী থাকসি ৱাংখৎলকপা, এল পি স্কুল, য়ু জে বি স্কুল, প্রাইমারি স্কুল, হায় স্কুল হায়না লৈরম্বা অসিদগী অহানবদা লমদম অসিদা লাইনীংগসু মরী হায়রপ লৈনবা লন্নাই স্কুল খরা হাংদোরকপা মতম ওইবা, মদুদা মহৈ তমহল্লিবা অঙাংশিংসি মমা মপানা লোইনমক অচৌ অশাং, লৈবাক্কী মপি মপা শোয়দনা ওইগনি হায়বগী নাপল অমা কাজবা, অদুনা মচানা লাইরিক পারিরা-পাদ্রিরা খঙদনা মখোয়-মখোয়গী শুমাংদা লীলা তৌহন্নীংলক্তবা। লৈকায়নদি মোইগী শুমাংসি খরা চাউই, লীলা তৌবদা খুদোং চানি খনবদু হেক য়ারক্তবা। লীলাসিদি মীনা য়াম্না পাম্নবা লীলানি, হোরেন মী চল্লোই, অদুনা কায়দা তৌসিগে খন্নরকপদা লম্পাক থিনরকপা, মসিমা ঐনা শমজিন্না হায়জরিবনি, শুমাংদা লীলা শান্নবদা মচা হেক্তা পুন্মাং মাঙলদৌবদৌনা খনবা থবক ইনখাংগা তৌবা, নাপল কাজবা, শেলগা খরা-খরা পায়জরকপা মীশিং হেনগৎলকপা। মসিনা শুমাংদগী লম্পাক থোরকপগী ৱারীগী শৈহৌনি।

২) শুমাংদা লীলা শান্নবদা লাক্লিবা মীয়ামদুনা মোই মোইগী ফম্ফম শেম্নবদা লীলা লোইরগা ৱাই য়াম্না চাইরম্বা, কনাগী উকক, ৱাকক, চেক, নূং শুমাংসিদা ফম্নবা পংথাদা থারম্বা, অদুগা লোয়ননা শুমাংসিদা অচাপোৎ চারম্বগী অঙকপা ফংনা ৱাই চাইরম্বসি য়ূম্বুনা য়াম্না হরাওদে। লীলা য়েংলিবা ময়ামদি লীলাদু য়েংলগা হন্নখিবনি, য়ূম্বুদুনা মদু লোইনা লোইশিনহৌগদৌরিবনি। অদুনা লীলা তৌগে হায়বদা য়ূমগী অহল মশা ঙমদে, লাংবা নুংঙাইতে হায়জিন্নরগা লীলা তৌহন্নীংদবগী ৱা কাঙলকপা হৌরকপা। অপিকপা মরম কয়াসিনা শুমাংদা লীলা শান্নহন্নীংলক্তবা।

৩) মমৈদবুদি মীশিং য়ামখৎলকপদগী শুমাং লৈশিল্লক্ত্রে। মসিসু অচুম্বনি। য়ূম মরোঙ-মরোঙ লোঙথোরকপদগী শুমাং খূবাক মুক পাকপা অমা ফাওবা খাক্লরক্তবগী ফীভমসি মণিপুরদা পাক শন্না উবা ফংলক্লে।

মসিগুম্বা কয়া অসিনা শুমাংদতা চাওজরকপা, শুমাংদা কেজরগা পকচবা শুমাং লীলানা শুমাং থাদোরকপা তারকপনি। অমুক নুংঙাইরিবদি শুমাং লীলা শান্নবদা ষ্টেজ শারকপগী মতাং অসিনি। ষ্টেজ শারকপসিগীসু নুংঙাইবা ৱারী কয়া অমা লৈরি। অহানবদা লম্পাক্তা থোরক্লবসু ষ্টেজ কৈসু শারমদে, ময়াম্না ইকোয় কোয়শিল্লগা লম্পাক মচি অমদা হেক্তা শান্নরম্বা লীলাসি ষ্টেজ শাবা হায়দনা ফেসন অমা চৎনরকপা হৌরকপনি। মসিগী মরমসি অতৈগী নত্তে। ষ্টেজ শারগা লীলা তৌবসিনা চাওখৎপগী মতৌদৌনা খন্নরকপসিনি। মসি ঐখোয়না সুম থেংনজরকপদা, স্কুল স্কুলদা শর্স্বতি পুজা তৌবা মতমদা স্কুলগী ফান অৱাংবা দেক্সতু ময়াম অমা পুথোক্লগা মদু মখোঙদা ৱা অমনা ফৈনা পুল্লগা লেঙহন্দনা থল্লগা অঙাং মচা ময়ামদু উনবা হায়দুনা ষ্টেজসি শেমখিবনি। মদুসু ঐখোয়দি লীলা শান্নবা নুংঙাইতে, ষ্টেজসি থোক-থোক নোম্মী, লীলা তৌবদা বিট লৈতে, য়ারগদি ষ্টেজ শারোইসি ফনা য়াম্না হায়জৈ, অদুবু স্কুলগী ওজাশিংদুনা অঙাং অপিকপা ময়ামসি উনবনি হায়না হায়বদগী ষ্টেজ শাবসি হৌখ্রে।

অনীশুবা মরম অমনা, শুমাং লীলাগী ফেষ্টিবেল তৌবা মতমদা ষ্টেজ শারগা তৌরম্মী। মদুসু অতৈগী নত্তে। ফেষ্টিবেল শিল্লিবশিংদুনা টিকেট য়োনবদা, ফম্ফমগী শিনবদা খুদোংচানবগীদমক অমদি মদুনা মচু তাই হায়না খনবদগী ষ্টেজ শাখিবনি। মসিসু ঐনা খ্বাইদগী য়ানীংখিদবা অমনি। ঐনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী কম্মিটিগী মেম্বর ওইরম্বসি চহী ১২ মুক ওইরম্বনি, মদুদা ষ্টেজ শাদনবা য়াম্না কন্না য়েৎখিবনি। অদুবু মথক্তা ঐনা পঞ্জখ্রিবা টিকেট য়োনবা, ফম্ফম শিনবগী খুদোং চারোইদবা কয়াদু য়েংলগা মোইনা অদুম ঙমখি। ঐনদি শুমাং লীলাগী মশক অমা মাঙশিল্লক্কনি, য়ারগদি হান্না তৌরল্লবসু মসি হোংদোকসি হায়না কন্না য়েৎখিবনি, ঐ মায়থীহৌই। মসিগী মতৌসি লৈকায় লৈকায়দা তম্নরকপনি। লীলা কৌবা লাকপশিংনসু ঐখোয়দা হায়রম্মীসি অতৈ অমত্তা নত্তে, ফিরোল নালহনবীয়ু, ফেষ্টিবেলদা শান্নবা অদুমাইনা ফজনা শানবীয়ু, ঐখোয়সু ষ্টেজগা শাদুনা, দেকোরেসনগা ফজনা তৌজরমগে সিনিসে। ঐনা ষ্টেজ শাবিরুনুদা হায়রুবদা চাওখৎতবা ৱাখলনি হায়না চৈবিরম্মী।

মতাংসিদা য়াম্না নোক্নিংবা ৱারী মতেক অমতগা থমজগে। লীলাগী সিজন হায়বা অমা লৈজৈ, খুদম ওইনা হায়রবদা য়াওশঙগী মতম, চাক চানবা, লৈকায়দা লীলা তৌবা। মসি অয়ূক নুংথিল হায়বা লৈতে। অশংবা মতমদা হেক্তা তৌবা অমা চৎনরম্মী। মতমদুদা মীনা পাম্নবা, মীনা য়াম্না তান্নবা লীলা কৌদুনা তৌবা ঙম্বসি মমায় পাকপদৌনা খন্নরম্মী। অদুনা নুংথিলদা লীলা শান্নবা চৎলে। ঐখোয়গীদি মতম হায়বা অমা লৈ। মতমসি কায়বা য়াবা নত্তে। মথং-মথং শান্নগদৌরিবনিনা হোরেল অথেংবদদি হেক্তা মৈ হৌখৈ শাওনগদৌরিবনি। অদুবু ফর্ষ্ট শো উৎকদৌরিবা মফমদুনদি খঙবীবা নত্তে। লীলা শান্নফমদা ইহাঙ হাঙদুনা লৈরম্মে। ভাবোক লাক্লবসু ষ্টেজ শাদ্রি হায়না লীলাসি তৌহন্দনা লৈরি। ষ্টেজ শাগদৌরিবদুদি, মোইদি লৈকায়গী স্কুলদুনা ছুটি থারগা, মদুগী ফানদু লৌরগা ষ্টেজ শাদৌরিনি হায়না ঙাইরগা লৈবগী ৱানিসে। মতম্নদি য়ারক্তবনিনা, খোইদৌসি হেক্তা শাওগৎপনি। অদুনা স্কুলদা ঐ ইশামক চৎলগা, ওজা হেদ মাষ্টরদা ঙাঙনরগা নমদনা স্কুল ছুটি থাহল্লগা ফানদু লৌরগা ষ্টেজ শারগা লীলা তৌবা য়াওখ্রে। মতমদুদা ষ্টেজ শাদনা লীলা তৌবসি ইকায়নবগী থাক অমা ফাওবা লৈখ্রে। অদুদগী য়াম্না নোকনীংলিসিনা, লীলাসি কন্না শান্নরিঙৈদা ষ্টেজ দুনদি মওং তানা শাদ্রবনিনা লীলা তঞ্খাই চল্লকপা মতমদা ষ্টেজসি প্রেক-প্রেক লাউনা তেকপগা য়াওরিবনি। লীলাগা কায়রিবনি। অদু নৎত্রসু ফানদু থোক-থোক নোল্লগা পুল্লপ তেক্লকপা, ফান কারক অহোবদা খোঙ চপখিদনা লৈথেকপগা য়াওরিবনি। আর্টিষ্ট কয়াগী মখোঙ ফান অহোবদা পুথবদগী লৈথোকপা, তুশিনবা কোকথোং অমা য়াওখ্রজাৎনি। হৌজিক্তি গভর্ণমেন্ট স্কুলদা ফান কয়াম লৈনরিগে খঙদ্রে, লৈকায়দসু গভর্ণমেন্ট স্কুল লৈবসি মশীং খরসু হন্থখ্রবা মাল্লি। মসিগী মতাংদা ঐগা লীলা কৌবীরিবশিংগা লীলা শানবা মফমদা ষ্টেজ শাবসিগী মরমদা মরৈ য়াম য়েৎনখি। অদুবু মোইনা অদুম ঙম্মী। মান্নরুবসু য়াদবা, মরমদি মতমনা চিংলকপা লৈইবু ঐনা মুখৎলুবা ঙম্বা নত্তবনিনা। মখা মথংদা ইজরক্লে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৬৭

**উসম ধনঞ্জয়**

**দিসেম্বর ৩০, ২০০৯ ইং :-** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ২৩শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা খূৎপু অমনা ঙরাং পি এল এগী মীওই অমা নাইন এম এমগী পিষ্টোল অমসুং হেন্দ গ্রেনেদ অমগা কোন্ননা ফারবা মতুংদা এ কে ৫৬ রাইফল ৫, পিষ্টোল ২ অমসুং এ কে ৫৬কী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৫০ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং ফাগৎখিবা পি এল এগী মীওই অদুগী মমিং ক্ষেত্রিময়ূম ব্রোজেন (৩৮) অপোকপগী মীং ইতোবী কৌই। উয়ুমপোক মমাঙ লৈকায়দগীনি। উয়ুমপোক গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ-প্রধানসু ওইবনি। মহাক ফারবা মতুংদা মহাক্কী ময়ূম মনাক্তগী এ কে ৫৬ রাইফলস ৫, পিষ্টোল ২ অমসুং এ কে ৫৬কী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৫০ ফাগৎপা ঙমখিবনি। খূৎলায়শিং অদু ব্রোজেনগী ময়ূম মনাক্তা লোৎশিল্লগা থল্লম্বনি হায়না এস পিনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা তারিখ ২৬তগী ঙরাং ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী অপূনবা খূৎপুনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী ক্ষেত্রিময়ূম ব্রোজেন য়াওনা পি এল এগী মীওই ৭ ফাগৎখি। মখোয় অদুদি কুমারী খুন্দ্রাকপম চন্দ্রজিনি এলিয়জ ইচলতোম্বী (২৩) অপোকপগী মীং বারুনি খাঙবোক খুল্লাকপম লৈকায়, কুমারী মোইরাংথেম তাঙবী (২৫) অপোকপগী মীং মোইরাংথেম থোইবা পেলেস কম্পাউন্দ, থৌদাম বস্ত (৩৯) অপোকপগী মীং থৌদাম খোঙনেম ফকনুং ময়ায় লৈকায়, নিংঙোম্বম সিকন্দর এলিয়জ এস কে (৩০) অপোকপগী মীং থাদোই চীংঙারেল টেজপুর, নোংথোম্বম রতন এলিয়জ রোমিও (৩০) অপোকপগী মীং শামুঙৌ ফকনুং অৱাং লৈকায় অমসুং লাইরেনলাকপম জয়চন্দ্র মীতৈ এলিয়জ ইবুংঙো এলিয়জ বোক্সর এলিয়জ ওকেন্দ্রো (৩১) অপোকপগী মীং নেমনেম চীংঙারেল টেজপুর (দিভিজনেল সেক্রেটরি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট)নি হায়রি।

খুন্দ্রাকপম চন্দ্রজিনিদগী আর পি এফ/পি এল এগী এপ্লিকেসন লেট্টর ১, নিংঙোম্বম সিকন্দরদগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৩ য়াওবা নাইন এম এমগী পিষ্টোল ১ অমসুং লাইরেনলাকপম জয়চন্দ্রদগী চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৬কা লোয়নবা পোইন্ট থ্রীতুগী রিভোলভর অমা ফংখি হায়নসু এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মরকসিদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদগী এফ জি এন (ফেদরেল গভর্ণমেন্ট ওফ নাগালেন্দ), কে সী পি অমসুং কে আর পি এ (কোমরেম রেভল্যুস্নরি পিপলস আর্মি) গী মীওই অমমম ফারে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিগী চেরোল অমনা হায়রি।

ফারবশিং অদুদি চিথুং স্মাইল তাঙ্খুল (২৭) অপোকপগী মীং লৈখিদ্রবা য়ুঙম তাঙ্খুল, কামজোং ভিলেজ, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট (এফ জি এন); গুরুময়ূম ওংবী যমুনা (৩৭) মপুরোইবগী মীং অম্বেদকার শর্ম্মা পোরোম্পাৎ জে এন হোস্পিটাল (কে সী পি) অমসুং এন অসুপ কোম (৪৩) অপোকপগী মীং এন অথাং, মাইবুং ভিলেজ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট (কে আর পি এ) নি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

চিথুং স্মাইল তাঙ্খুল অয়ূক পুং ৬.৩০ রোম তাবদা লল্লোংদগী দিমান্দ লেট্টর অমগা কোন্ননা ফাবনি। গুরুময়ূম ওংবী যমুনানা অয়ূক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা কোংপাল থোংখোঙদগী অদুগা এন অখুপ কোমনা অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা ন্যু চেক্কোন্দগী পোইন্ট থ্রীতু পিষ্টোল অমা অমসুং পোইন্ট থ্রীতুগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ অনী য়াওবা মেগজিন অমগা কোন্ননা ফাবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

অতোপ্পা অমনা, হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ) কী মখাদা লৈবা ৯শুবা সেক্টরগী ২১শুবা অসাম রাইফলসনা ঙসি অয়ূক পুং ৩ লোম তাবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চাইরেল খুনৌগী জেনরেল এরিয়াদা ওপরেসন চত্থবদা পি এল এগী কেদর অনী ফারে হায়না হেদ ক্বার্টরস অসিগী পি আর ওগী চেরোল অমনা হায়রি।

ফারবশিং অদুদি প্রাইভেট এলাংবম বাবুলাল মৈতৈ এলিয়জ মনি (৪০) অপোকপগী মীং লৈখিদ্রবা তোচৌ মীতৈ (নম্বর ১৭৩) অমসুং প্রাইভেট সোরোখাইবম দোনেন মৈতৈ এলিয়জ কুমারজিৎ (৪০) অপোকপগী মীং সনাহন মৈতৈ (নম্বর ১৭৯) নি। মখোয়দগী এ কে ৪৭কী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৬ ফংই হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

**দিসেম্বর ৩০, ২০০৯ ইং :-** চহী অসিদা নন-ষ্টেট এক্টর অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মখূৎতা নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবা মীগী মশীং অসি পূন্না ৪৪৪ শুখ্রে। নোংমদা নোংমৈনা পান্দুনা শিবা মীগী চাং অসি ১.২১৬ ওইদুনা ইন্দিয়াগী মনুংদা মাঙজিল থানা চঙশিল্লক্লি।

চহী অসিগী দিসেম্বর ২৮ ফাওবদা নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবা মীওইশিংগী খোমজিনবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না পূন্না মীওই ৩০৫না সিক্যুরিটি ফোর্সকী খূৎতা শিখি। অমরোমদা পূন্না মীওই ১৩৯না খূৎলায় পায়বা শকখঙদবশিংগী খূত্তা শিখি।

থা খুদিংগী ওইনা য়েংবা মীৎয়েংদা চহী অসিগী মে থাদা খ্বাইদগী য়াম্না মীওই ৬১ নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। থা অসিদা সিক্যুরিটিগী খূত্তা পূন্না মীওই ৩৯ অমসুং খূৎলায় পায়বা শকখঙদবশিংগী খূত্তা ২২ শিখি। থা অসিদা শকখঙদবশিংগী খূত্তা শিবা মীগী মশীং খ্বাইদগী য়াম্বসু ওইখি। অমরোমদা এপ্রিল থাদা পূন্না মীওই ৪২ সিক্যুরিটি ফোর্সকী খূত্তা শিদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। অদুবু জুলাই ২৩দা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতুংদগীদি শিবগী চাং খরা হন্থরকখি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ওগষ্ট থাদা নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবা মীগী মশীং অসি শুপ্পগী ১১ ওইদুনা চহী অসিগী খ্বাইদগী য়ামদবা থা ওইখি।

চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা পূন্না মীওই ৫৩ (সিক্যুরিটিনা ৩৮, নন ষ্টেটনা ১৫); ফেব্রুৱারীদা ৪১ (সিক্যুরিটিনা ১৫, নন ষ্টেটনা ১৬); মার্চতা ৩৯ (সিক্যুরিটিনা ২৯, নন ষ্টেটনা ১০); এপ্রিলদা ৫০ (সিক্যুরিটিনা ৪২, নন ষ্টেটনা ৮); মেদা ৬১ (সিক্যুরিটিনা ৩৯, নন ষ্টেটনা ২২); জুনদা ৪২ (সিক্যুরিটিনা ২৯, নন ষ্টেটনা ১৩), জুলাইদা ২২ (সিক্যুরিটিনা ১৭, নন ষ্টেটনা ৫); ওগষ্টতা ১১ (সিক্যুরিটিনা ৭, নন ষ্টেটনা ৪); সেপ্টেম্বরদা ৩০ (সিক্যুরিটিনা ২০, নন ষ্টেটনা ১০), ওক্টোবরদা ৪৪ (সিক্যুরিটিনা ৩২, নন ষ্টেটনা ১২); নবেম্বরদা ২১ (সিক্যুরিটিনা ৯, নন ষ্টেটনা ১২) অমসুং দিসেম্বর ২৮ ফাওবদা পুন্না ৩১ (সিক্যুরিটিনা ১৮, নন ষ্টেটনা ১৩) শিখ্রে।

চৈরকসিদা, ইন্দিপেন্দেন্ট সিটিজেন্স ফেক্ট ফাইন্দিং রিপোর্টতা মণিপুরগী দি জি পিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা, ষ্টেট অসিদা সিক্যুরিটিগী খূত্তা লৈখিদ্রবা মীওই খুদিংমক লালহৌবা ঙাক্তনি। মসিদা এক্সত্রা জুদিসিএল কিল্লিংগী কেস অমত্তা লৈখিদে। কনা অমত্তনা লৈখিদ্রবশিং, মরাল লৈতে হায়না প্রমান পীবা ঙমখিদে হায়রি। অমরোমদা, ষ্টেট অসিদা শকখঙদবশিংনা মীওই কয়া হাৎলিবা অসিগী মায়োক্তসু মীওই খুদিংমক্না নিংদোন পোল্লি। খূৎলায় পায়বা সিক্যুরিটি অমদি শকখঙদবশিংনা ৱায়েনবা তৌদনা অঙম অঙম্বা হাৎপগী থৌওং অমা লাকপা অসিনা মীয়ামগী পুন্সিদা লৈতাফম খঙদবা ওইহনবদা নত্তনা ষ্টেট অমসুং নন-ষ্টেট এক্টরশিংগী মরক্তা অফ-ফত্ত খন্দোকফম খঙদবা ফীভম অমা লাক্লি।

থিজিনবা অসিদা ফংলিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না, খূৎলায় পায়বা সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং আইন্না য়াদবা খূৎলায় পায়বা শকখঙদবশিংগী খূত্তা শিরিবা মীওইশিং অসি মপূং ওইনা য়ূম-কৈ পাল্লবশিংনি। নুপানা অয়াম্বা লৈখিদবা অসিদা লৈহৌরিবা নুপীশিংনা হিংনবগীদমক নাইতোম লাঙ্গেংনবা তাবনা খুন্নাইদা অহেনবা অৱাবা অমগা অমুক থেংনবা য়াবগী মরম কন্না ওইহল্লক্লি।

**দিসেম্বর ৩০, ২০০৯ ইং :-** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলূপশিংগী মীওই ৬৩ হাৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা খূৎলায় ১০৯ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এন কাইলুননা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা কুমজা ২০০৯দা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং উখোকপা সিনিয়র এস পিগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা, কুমজা ২০০৯দা পূন্না লালহৌবা ৬০ হাৎখ্রে অদুগা নোংমৈ মরূ ২৩০৯ অমসুং খূৎলায় ১০৯ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা লালহৌবা ৬৩ অদুদি প্রিপাক্কী ৯, পল্ফকী ৪, কে সী পি ১০, পি এল এ ১, কে ৱাই কে এল ১২, য়ু পি পি কে ৩ অমসুং অতৈ য়ু জি ২২নি হায়রি। ফাগৎখিবা খূৎশু খূৎলায়শিং অদুদি এ কে ৭৬ রাইফল ১ অমসুং মরূ ১৫; এ কে ৫৬ রাইফল ২৬ অমসুং মরূ ৫৪২; এ কে ৪৭ রাইফল অমা অমসুং মরূ ১২৮; এম ১৬ রাইফল ২ অমসুং মরূ ১২৭২; জি-থ্রী রাইফল অমা; লেথোদ গন ৫ অমসুং মরূ ২২; এস এল আর রাইফল ২ অমসুং মরূ ১০; করবাইন ৫ অমসুং মরূ ১৪, দি বি দি এল গন অমা অমসুং মরূ ১০; নাইন এম এম পিষ্টোল ৪৩ অমসুং মরূ ১৪৬; ওটো পিষ্টোল ২ অমসুং মরূ ৩, পোইন্ট থ্রীতু পিষ্টোল ১২ অমসুং মরূ ২৬, এম ২০ পিষ্টোল ৩ অমসুং মরূ ১০; পোইন্ট ৪৫গী মরূ ৮৪; হেন্দ গ্রেনেদ ৩৩, দল্লিয়ু/টি সেট ৫, এক্সপ্লোসিভ পেকেট ২ (কেজি ২৫ রোম) নি হায়রি।

চহী অসিদা ফাগৎখিবা লালহৌবশিংনা কে সী পি ১২৯, প্রিপাক ৫৩, কে ৱাই কে এল ৪৮, পি এল এ ৪৪, পল্ফ ১২, কে আর এ ১২, য়ু এন পি সী ৬, কে এন এফ ৩, কে এল এ ৩, এন এস সী এন (আই-এম) ২, কে এন এ ২, য়ু কে এন এ ১, ঐচ পি সী ১অমদি অতৈ কাদর ৩৩ য়াওরি। পূন্না মীওই ৩৫৬ ফাগৎখিবা অদুদা গেং ৪, চীং তম কায়বা য়ারোইগী ২, আর্মস স্মগ্লর ১ য়াওরি হায়রি।

অদুগা কে ৱাই কে এল ১১, পি এল এ ১৬, কে সী পি ৩৩, পল্ফ ৫, প্রিপাক ১২ অমসুং অতোপ্পা কাদর ১৭ অমদি আর্মদ গেং ২, পুলিস ২, আই আর বি ৩, ভেহিকল লিফটর ২ অদুগা অতৈ মীওই ১৯ পূন্না মীওই ১২২না এন এস এগী মখাদা দিটেন তৌখি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি। অসিদসু নত্তনা লুপা ২৮,৮৯,৩৩৫গী শেনফম অমসু ফাগৎপা ঙমখি হায়রি। চহী অসিদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিনা তোঙান তোঙানবা কেস ১২৭৮ রেজিষ্টর তৌখি। অদুগা এম ভি এক্টকী মখাদা কেস ১৬৬তা রেজিষ্টর তৌদুনা লুপা ১৪,১৭,৪৫০ ফাইন ওইনা খোমগৎপা ঙমখি। প্রিভেন্টিভ মিজর ওইনা মীওই ২৬১০ ফাজিনখি। এস পি টেবেল্লট পিচ ৪০৩, নাইট্রোজেন (এন -১০) পেকেট অমসু ফাগৎপা ঙমখি হায়না সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট এল কাইলুনগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।